## বি জে পি মনুংদা...

*লামায় ১গী মখা...* সিট ৭ নংত্তা ৮ ফাওবা ফংদুনা মণিপুরগী এন পি পিনা লুচিংবা লৈঙাক অমা শোয়দনা লৈরগনি হায়খি।

ঙসিগী এন পি পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট কোনরাদ কে সংমা য়াওনা পাঙথোকখিবা য়ুঠ অমসুং ইন্টেলেকচুএলশিংগী ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অদুদা কককচিং এ সীদা এন পি পিগী মীরেপ ওইরিবা ময়াংলম্বম রামেশ্বর, এন পি পি কককচিং য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট এস ঐচ শ্যামজাই অমদি পার্টিগী ষ্টেট য়ুনিটকী মরু ওইবা লুচিংবা কয়ানা শরুক য়াখি।

### FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 84.398565 |
| US Dollar | 75.687793 |
| British Pound | 101.402872 |
| Australian Dollar | 55.050517 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.991593 |
| Japanese Yen | 0.658875 |
| Malaysian Ringgit | 18.049833 |
| Singapore Dollar | 55.789372 |
| South Korean Won | 0.062971 |
| Saudi Arabian Riyal | 20.183411 |
| Thai Baht | 2.313249 |

### Spot Gold (24K) Rates/10gm

| | | | |
|---|---|---|---|
| Benglore | – | Rs | 5128.00 |
| Chennai | – | Rs | 5217.00 |
| Delhi | – | Rs | 5128.00 |
| Hyderbad | – | Rs | 5128.00 |

## GAS NEWS

**KHORIPHABA NAMBOL BK.UPTO DATE**
Timing:6am to 10 am
Home delivery no:6009249086

**HIYANGTHANG INDANE. BOOKING 11-01-22.**
Valid.06-01-22.
**Stk.-306.**
Timing 7.a.m.to 11.a.m.
Only home delivery Service.
Contact no. Office no. 6381538861. 8414043907.
Whatsapp.no. 6009260971

**JRONGMEI SK INDANE WANGOI,**
**BKING UPTO 24/11/21**
Valid from 19/11/21.
**Stk 306,**
Timing-6am to 9am.
Home Delivery
(Contact no. 8119073029, 8974426830)

**M/S MISAO GAS SERVICE**
ONLY HOME DELIVERY
**Booking-- Upto Date (14.2kg)**
***19kg Available
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM.

**IMPHAL LPG SERVICE**
(Home Delivery only)
Ujjwala connectionavailable 16-02-2022 Update Gas Card With Fresh photo .
New Contact Office No. 6009392991, 9362654114, 03853560556.
Time 8:30 to 12:30 .
Those who haven't received send to whatsApp no.9863624773 their form no1.also available 19kg and 5kg .please don't use other numbers except the notified one. Those Deactivated one submit Aadhar and KYC form for activation.In view of covid19 and curfew booking can be made through IOCL
1. For whtsapp booking type <REFILL#>LPG ID NO. e.g. start from 70000000xxxxx xxx 16 digital. Send to 7588888824.
2.For onlidistributorsne payment use<Indane Oil One app>
It's applicable for all of IOCL. Encourage online payment. Please prepare document i.e. Aadhar accompanied with phone no.and voter ID for Ujjwala connection.Contact Imphal LPG office for ujjawala connection.

**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 05/02/2022
**BOOKING UPTO: 07/02/2022**
BOOKING AND ENQUIRY ONLY : 03852444677, 9436280866
TIMING: 7:30 AM to 11:00 AM

**TDK GAS**
**BK. UPTO 13/01/22.**
VF.12/01/22.
STK.306.HOME DELIVERY ONLY CONTACT NOS. 6909614353/8731992324.
TIMING 9:00AM TO 3:00 PM.

**MANIPUR GAS SERVICE**
Area wise home delivery and contact number, Call timing 8.00 am - 12.00 pm
1) Ahallup, Heingang, Kairang, Khabam, Achanbigei,Mongjam (9863385995), 2) Mantripukhri, Luwangsangbam, Koirengei, Nilakuthi, Khonghampat & Surrounding etc.(8787857518) 3) Lairikyengbam Leikai, Khurai, Pangei Road, Ukhrul Road, Kongpal, Top (7424085506)
4) Laipham Khunou,Nagaram, Dewlahland, Namdunlong, Khoyathong, Nagamapal & Uripok Road (8414886475)
5) Hatta, North AOC, Ragailong, New Checkon, Wangkhei, Kongba etc. (9366468676) 6) Poumai Colony, Sangakpham, Nongmeibung, Tellipati, Soibam Leikai, Wangkhei Khunou, Porompat, Kshetrigao A/C (7005282449)
7) Thangmeiband, Lamphel, Langol, Tarung (7005439154)
8) Chingmeirong, Thangal & Paona Bazar, Sagolband, Keishampat, Khagempalli, Kwakeithel, Singjamei A/C etc. (8131832195) 8) Complain and Enquiry Number 8730954041
**Booking 24/01/2022**
Valid from 01/01/2022

# বি জে পিনা কুকি য়ু জিশিং শীজিন্নদুনা মীখলবু লান্না উহল্লে ঃ জয়রাম রামেস

## রোহিট মীহাৎতা চেন্নবশিং বেলদা থাদোকখিবা কোংগ্রেসনা য়ানীংদে ঃ কে ঐচ দেবব্রত



ইম্ফাল, মার্চ ০২ (ঐচএনএস) :

ফেব্রুৱারী ২৮, ২০২২দা পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লি মীখলগী অহানবা ফেজগী মনুং চন্না বি জে পিনা চুড়াচান্দপুর অমদি কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টশিংদা পাঙথোকখিবা মীখলদা কুকি অন্দরগ্রাউন্দ আউটফিটশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা কুকি নেসনল ওর্গনাইজেসন (কে এন ও) বু লান্না শীজিন্নদুনা দেমোক্রেসিবু মীংচৎ থিহল্লে হায়না এ আই সী সীগী সিনিয়র ইলেক্সন ওবজার্ভর জয়রাম রামেসনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ইম্ফালগী কোংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়, লালহৌলূপ অসিনা বি জে পিদা শৌগৎলু হায়না মীয়ামদা চাউনা কিহনবগী থবক চথখি। চীং অমসুং তম লাপথোক্ল হল্লিবা অসিদি কোংগ্রেসনা নত্তে, বি জে পিননি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমদি হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা মণিপুরগী মীয়ামদা হায়জিনবা অমদি মচিন থিদুনা মীয়ামদা নমথাক তৌরি হায়বগা লোয়নন থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট অসিদি কোংগ্রেসকীদমক্তদি য়াম্না মরু ওইবা মফম অমনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

বি জে পিনা ড্রগ মফিয়াশিংবু মীরেপ ওইনা থাদোক্লি লোয়নন লুপা ক্রোর কয়াগী ড্রগকী কেসতা চেন্নবা মীওই চৈরাক পীদনা বেলদা থাদোক্লি। থৌওং অসিনা লমদম অসিদা ড্রগ থিংবদি লায়রদনা মফম অসিদা ড্রগশিং পুথোক পুশিন তৌবগী থবক হেনগৎলক্লি হায়খি।

মসিগী মথক্তা বি জে পিনা চীংগী দিষ্ট্রিক্ট তরুক্তা হৌজিক ফাওবদা দিষ্ট্রিক্টশিং অসিগী ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল (এ দি সী) শিংগী মীখল পাঙথোকপা ঙমদনা লৈরি। মসিনা চীং অমসুং তমগী মরক্তা তোখায়নহনবগী মচাক অমসু ওইহল্লে হায়খি।

লোয়নন থা অসিগী ৫দা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুরগী অনীশুবা তাঙ্কক্কী মীখলদা কোংগ্রেস মীরেপশিংনা য়াম্না চাউনা মায় পাক্কনি। কোংগ্রেসনা মণিপুরদা চেঙ মরাং কায়না পুথোক্লবা অহেনবা মীৎয়েং থম্বগা লোয়নন মণিপুরগী লৌমীশিংদা য়ুরিয়াগী খুদোংচাদবা লৈহন্দনবা অখন্নবা মীৎয়েং চঙগনি হায়খি।

এ আই সী সীগী সিনিয়র ওবজার্ভর জয়রাম রামেসনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা তম্পাক্তনা এগ্রিকলচরগী অহেনবা মীৎয়েং চঙগনি অমসুং চীংদনা হোর্টিকলচরগী লম্দা অহেনবা মীৎয়েং চঙগনি হায়খি।

ঙসি মহাক্না পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী স্পোক্সপর্সন কে ঐচ দেবব্রত্তনা হায়, হৈরোক্তা থা খরগী মমাঙদা ইলেক্সনগী মাঙওইননা থোকখিবা থৌদোক্তা নিংথৌজম রোহিট কৌবা নহা অমা লৈখিদবা অদুগা মরী লৈননা পুলিসনা চেন্নবা মীওই ৬ ফাখিবা অদু মখোয়না থৌদোক অদুদা হকথেংননা ইনভোল্ব তৌরে হায়দুনা মমিং মথা চপ চানা এম পি সী সীগী মায়কৈদগীসু ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। ইলেক্সনগা মরী লৈননা থোকপা থৌদোক ওইবনা মদুদা চেন্নবা মীওইশিং অদু পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসি লোইদ্রিবা ফাওবা থাদোকপীগনু অমদি জুদিসল কষ্টদিদা থম্নবা চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর (সী ঈ ও), মণিপুরদা হায়জখ্রবসু মদুগী ওন্ন-তৈনবদা হয়েং চথুগদবা বেলগী হিয়ারিং অদু ঙনখৎনা য়ৈখৎলগা ঙরাং বেলদা থাদোরকখিবা অসি য়াম্না নুংঙাইতে। থৌওং অসি হৈরোক মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তনি। মসিনা মরম ওইরদুনা হৈরোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা অমুক হন্না ঈরাং থোরক্কদ্রা হায়বগী চিংনবা পোকই। লোয়নন হৈরোক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসি ঈংনা চিক্লা অমসুং ফ্রী এন্দ ফেয়র ওইবা মীখল ওইনা পাঙথোক্লবা হোৎনবদা চিংনবা পোকহল্লে হায়খি।

বেল পীবিয়ু হায়দুনা প্রেয়র তৌরকখিবা এপ্লিকেসনশিংগী হিয়ারিং পাঙথোক্কদবা মতমদগী ঙনখৎনা পাঙথোকখিবা হিয়ারিং মখল অসি করম্বা মখলগী হিয়ারিংনো হায়না হংলদুনা অসিগুম্বা থৌদোক মমাঙদা অমুক্তা তাখিদ্রি হায়খি। মীখল লোইবা ফাওবদং থম্বীরবদি ঈংনা চিক্লা মীখল অসি পাঙথোক্কনি হায়না মীয়াম্না থাজনরম্বনি হায়বা ৱাফমসু পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

কোর্টনা বেলদা থাদোকখ্রবা মীওইশিং অদু হৈরোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা বি জে পিগী মীরেপ ওইরিবা মশানা শজিৱা জেলদা লাক্লগা পুখি হায়বগী রিপোর্টসু ফংই। মরম অসিনা মখোয়বু বেলদা থাদোকখিবা অদু মীচং মীখাই নাইনা অমসুং থাদোক্তবা য়াদে হায়বগী মওংদা থাদোকখিবনি হায়না খল্লি। থৌদোক অসিনা হৈরোক্কী মীয়ামদা অচৌবা অরানবা অমা তৌরে হায়নসু ফোঙদোক্লরক্লে হায়না পাউমীশিংদা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## এম এল এ জয়েন্তকুমারগী মিংদা...

*লামায় ১গী মখা...* এ বিগী কাঙবুনা লেপ্ন নবা হায়খি অদুবু গাড়ী অদু খাল্লমদনা থৌরগা চৎখিবদগী এন এ বিগী টিমনা তান্নদুনা খুরাই নিংথৌবুংগী মফম অমদা লেপহনখি হায়রি।

গাড়ী অদুবু থৌরকখিবা ড্রাইভরগী মমিংনা কোংপাল কোম্ভাম লৈকায়দগী সলাম খোগেন (৩৬) অপোকপা এস বোবি কৌই হায়রি।

এন এ বিগী টিম অদুনা গাড়ী অদু চেক তৌরুবদা কানি কিলোগ্রাম ১/১ হাপ্পা পেকেট ৩৪ (পূন্না কিলোগ্রাম ৪০) রোম গাড়ী অদুগী মনিং থংবা শরুক্তা খাউ অনীদা হাপ্লগা য়াওরম্বা থেংনখি হায়রি। অদুগা গাড়ী অদু এম এল এ, এল জয়েন্তকুমারগী মিংদা রেজিষ্ট্রেসন তৌবনি হায়বসু খঙবা ঙল্লে হায়রি।

এন এ বিগী টিম অদুনা গাড়ী অদুবু থৌরকখিবা ড্রাইভর সলাম খোগেন্দা চথখিবা ভেরিফিকেসনগী মতুংইন্না মহাক ইন্টর-ষ্টেট ড্রগ ট্রাফিক্কর অমনি হায়বা খঙবা ঙমখিবগা লোয়নন মমাঙথক্কী থৌদোক খরদসু মহাক্না ড্রগ পুথোক পুশিন তৌবগী থবক চথখ্রে হায়বা খঙবা ঙল্লে হায়রি।

মহাক্না ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না ঙসি অয়ূক অঙনবদা কানি ময়োমশিং অদু মহাক্না মোলনোম অমসুং সোংফেল হিল রেঞ্জগী মফমশিংদগী মীওই অমদগী পুরকখিবনি অমসুং ইম্ফাল তম্না পুরল্লগা গুৱাহাটিদা লৈবা মহাক্কী মীওই অমদা থানবগীদমক অতোপ্পা এজেন্ট অমদা খূৎশিন্নগদবনি হায়রি।

অহানবা চথখিবা স্পোট ভেরিফিকেসন অদুদা হায়রিবা ৱাফমশিং অসি খঙবা ঙল্লকখিবগা লোয়নন গাড়ী অদুগা কোন্নন মহাক অমসুং কানিশিং অদু ঙসি অয়ূক পুং ৮.৩০ রোম তারকপদা খুরাই নিংথৌবুং লৈকায়গী মফম অদুদা ওফিসল ওইনা সিজ তৌবগা লোয়নন ফাজিনখিবনি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা নার্কোটিক এন্দ এফেয়রস ওফ বোর্দর পুলিস ষ্টেসননা মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসন চথনবগীদমক কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলে হায়রি।

পনবা য়াবদি, এম এল এ, এল জয়েন্তকুমার ফেব্রুৱারী ২৮, ২০২২দা পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলদা ১২- কৈশামথোং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা নেসনল পিপলস পার্টি (এন পি পি) গী মীরেপ ওইখিবনি।

## মীদিয়াদা লানখ্রে, অমুক তৌজররোই...

*লামায় ১গী মখা...* পোলিটিকেল পার্টি অনীগী মরক্তা কন্না মূক্নরিবা মতম ওইবনা মোবাইল ফোনদা ভিদিও রেকোর্দিং তৌরে হায়বদগী নিংঙাই শংদানবা অদু থোরকখিবনি। হেলমেট উপ্পদুদা মশক খঙজ গে লৌথোকপীয়ু হায়জবনি হায়খি।

হান্নদি ভিদিও রেকোর্দিং তৌই হায়বদু খঙলমদবদগী খঙলকখিবনি। থৌদোক অদুগী মতাংদা অমুকসু ফোন তৌদুনা কৌনবশিং তাবদা অমুক হন্না লান্না লৌনখিবা য়াওবদগীনি। পোলিটিকেল পার্টিগী ওইনা লৈবা নত্তে। ক্লব অমা ওইনা থৌদোক অদুদা মীয়াম্বু ফাথনবা থোরকপনি হায়খি।

মরম অসিনা অসিগুম্বা থৌদোক অসি অমুক হন্না থোকহঞ্জররোই অদুগা থোকখ্রিবা থৌদোক অদুগীদমক্তসু লাল্লে হায়না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

## ইলেক্সন দ্যুটি লাকপা মিজোরামগী ...

*লামায় ১গী মখা...* লালোম্পুয়া (৩৭) অপোকপা সোনলুৱাঙ্গা কৌই, মিজোরামগী জায়োন ভেঙ টাউন চম্ফাইদগীনি। মহাক মিজোরামগী অনীশুবা বট্টালিয়ন আই আর বিগী পর্সনেলনি হায়রি।

থৌদোক অদুদা শোক্লবশিংনা সব ইন্সপেক্টর আর সী লালথাম মুৱানা, হবিলদার ভি লালবিয়াক মোয়া, ভি এল দিংলিয়ানা, আর লালবিয়াক নুঙ্গা, লালসাং জ্বালা, নাইট লালসোম য়ানা, কন্সটেবল লাল্লিম্পুয়া, লালমোই জ্বালা, লালবিয়াক নুঙ্গা অমসুং আর লালনুৱাম মোয়ানি হায়রি।

শোক্লবা মীওইশিং অমসুং লৈখিদ্রবা পর্সনেল অদুগী হকচাং হেলিকোপ্টরনা ইম্ফাল তম্না পুরক্তুনা রিমসতা লায়কন্নখি। অদুগা লৈখিদ্রবা আই আর বিগী পর্সনেল অদুগী হকচাং জেনিমসকী মোচ্যুরিদা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন তৌরবা মতুংদা মহাক্কী ময়ূমদা থিনখ্রে হায়রি।

ঙসি অয়ূক পুং ১০.৩০ রোম তারকপদা নোনে দিষ্ট্রিক্টতগী খৌপুম তাবগী লম্বীদা বোলেরো পিকঅপ জীপ এম এন ০১/এ এ-৩৬৩৭ এক্সিদেন্ট থোকপদগী মসিদা তোংলকখিবা পেসেঞ্জর ২০গী মনুংদা নুপী অমগা নুপা অমগা লৈখিদ্রে। অদুগা অতোপ্পা মীওই ১৭না শোক্লে হায়রি।

থৌদোক অদু নোনে পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা তুবুং নুংশাই খুলগী মফম অমদা থোকখিবনি হায়রি।

শোক্লবা মীওইশিং রাজ মেদিসিটিদা পুরক্তুনা লায়কন্নরি। অদুবু শোক্লবশিং অদুগী মনুংদগী লৈখিদবা নুপা অদুদি ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৩০ রোম তারকপদা হোস্পিটাল অসিদ লায়কন্নবদা কনবা ঙমদনা লৈখিদবনি হায়রি। লৈখিদ্রবা নুপী অদুনা সিমনলিয়ু কামৈ কৌই, মশাগী চহী ২১ রোম শুরবা নোনেদগী লৈশাবীনি হায়রি। অদুগা নুপা অদুগী মমিংনা রিংচাঙাই কামৈ (২২) কৌই হায়রি।

অমরোমদা ঙসি নুমিদাংৱাইরম খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদগী পেসেঞ্জরশিং পুদুনা হনখিবা ওটোরিক্সো অমা ষ্টেন্দর্দ কোলেজ মনাক্কী লাইরেনপাৎ মনাক্তা লৈবা মফম অমদা এক্সিদেন্ট থোকপদগী মসিদা তোংলকখিবা বামোন কম্পুদগী থিয়াম নিরমালা (৬৭) অপোকপা টি ঐচ ইমোবা কৌবী নুপী অমা লৈখিদ্রে। অদুগা মহাক্কী মচানুপী য়াওনা মীওই কয়ামরুম্না শোক্তুনা লায়কন্নখ্রে হায়রি।

# তেংনৌপল অমসুং উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী বোর্দর সিল্ড তৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০২ (ঐচএনএস) :

থা অসিগী ৫দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি মীখলগী অনীশুবা তাঙ্কক্কী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ২২গী মীখলদা তেংনৌপল অমসুং উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিশিংসু য়াওবনা মরম ওইরদুনা দিষ্ট্রিক্ট অনী অসিগী বোর্দর সিল্ড তৌশিনখ্রে।

মসিগী মতাংদা ঙসি তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট মান্নুৱামচিংনা ওর্দর অমা থোকখ্রে।

মহাক্কী ওর্দর অদুগী মতুংইন্না উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকা তাইনবা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী বোর্দর অসি হয়েংদগী হৌরদুনা থা অসিগী ৬ ফাওবা সিল্ড তৌরগনি হায়রি। অথিংবা অসি ঙমখৈ পরিং অসি য়াওনা দিষ্ট্রিক্ট অনীমক্তা লো এন্দ ওর্দর কায়হনবা য়াবা থৌদোকশিং থোরক্তনবগীদমক চেকশিন থৌরাং ওইনা লৌখৎলকপা খোঙথাংনি হায়রি।

লোয়নন মসিগী মতাংদসু ফেব্রুৱারী ২৬, ২০২২দা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পিগী মায়কৈদগীসু অইবা চেরোল অমা পীখৎলকখি হায়রি।

ঙসি মহাক্না থোকখিবা ওর্দর অদুগী কোপিশিং মণিপুর গভর্ণমেন্টকী চীফ সেক্রেটরি, তেংনৌপল অমসুং উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী এস পি, তেংনৌপলদা লৈবা ২০শুবা অসাম রাইফলসকী কম্মান্দেন্ট, মোরেগী ৪৩ অসাম রাইফলসকী কম্মান্দেন্ট, এদিসনেল দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট (মোরে), মচি, তেংনৌপল অমসুং মোরেগী সব দিভিজনেল মেজিষ্ট্রেটশিংদসু পীখি হায়রি।

## গ্রেনেদ অমদি নোংমৈ ফারে

ইম্ফাল, মার্চ ০২ (ঐচএনএস) :

ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দর এরিয়াদা মোরে বট্টালিয়নগী অসাম রাইফলসকী কাঙবু অমনা থিবা হুম্বা চথবদা লালহৌবশিংনা লোৎলম্বা ফিরোল অমদি নোংমৈ, হেন্দ গ্রেনেদনচিংবা ফারে হায়রি।

অসাম রাইফলসকী কাঙবু অদুনা মোরেগা নক্লবা গোবাজাং খুনগী উমংগী এরিয়াদা চপ চাবা পাউ অমা ফংবদগী থিবা হুম্বা চথবদা উমং মনুংগী অশোংবা মরক্তা লোৎতুনা থম্লম্বা এসোল্ট রাইফল ২, চাইনিজ হেন্দ গ্রেনেদ ২, ৭.৬২গী কাপ্পা য়ারিবা মরূ ২২, রেদিও সেট ১ অমদি কেমো ফ্লেক্স য়ুনিফোর্মনচিংবা খরসু ফাগৎলে হায়রি। অসাম রাইফলসনা ফারবা নোংমৈ অমদি ফিরোলশিং অদু মোরে পুলিস ষ্টেসনদা মখা তানা থিগৎনবা খূৎশিন্নখ্রে হায়না অসাম রাইফলসতগী ফংবা পাউ অসিনা হায়রি।

## লাঙ্গোল ভিয়ু মনাক্তা কার ১ মৈ চাকখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ০২ (ঐচএনএস) :

ঙসি নুংথিল পুং ৫ রোম তাবা মতমদা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা লম্ফেলগী লাঙ্গোল ভিয়ু মনাক্তা অঙৌবা মচুগী চেবোলেট কার অমা খঙহৌদনা মৈনা চাকখ্রে।

থৌদোক অদু কার অদুনা উরিবোক কান্তিন লম্বী রোমদগী রিমস তম্না লাকপদা লাঙ্গোল ভিয়ু মনাক অদুৱাইদা খঙহৌদনা কার অদু মৈনা চাক্লকখিবনি হায়রি।

মৈ চাকপগী পাউ হেক ফংবগা খুদক্তা ইম্ফালগী ফায়র সর্ভিস কাঙবু লাক্তুনা মৈ কন্নবা হোৎনবদা পুঙ্খায় অমরোম হেন্না চঙখি হায়রি।

মৈ অদু মতৌ করম্না চাক্লকপনো হায়বগী মতাংদা গাড়ীগী ৱয়ারিং কনেক্সনদগী স্পাক থোক্তুনা মৈ চাক্লকপা ওইগনি হায়না ফোঙদোরকই। থৌদোক অদুদা মীদি অশোক অপন য়াওহৌদে অদুবু কার অদুগী অয়াম্বা শরুক মৈনা তুম্না চাকখ্রে হায়রি।

# বি জে পিনা মীখল অসিদা কাদবা য়াদে হায়দুনা মনি পৱার, মসল পৱার শীজিন্নখি : সী ঐচ বিজয়

ইম্ফাল, মার্চ ০২ (ঐচএনএস) :

হন্দক পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি মীখল অসিদা বি জে পিনা নমদুনা কাদবা য়াদে হায়দুনা মনি অমদি মসল পৱার শীজিন্নদুনা পাঙথোকখিবা মীখলনি। দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা ইলেক্সনগী মহুৎ ফোর্সলি সেলেক্সন ওইনা চথরকপা হায়বসি দিমোক্রেসিবু মখৌরি মেৎলগা হাৎপনি হায়না সোসল পোলিটিকেল কম্মেন্টেটর সী ঐচ বিজয়না নুংনাংবা ফোঙদোরক্লি।

পাউমী খরগা মহাক্কী লম্ফেলদা লৈবা য়ূমদা অখন্নবা উন্নবদা মহাক্না মখা তানা হায়, হন্দক পাঙথোকখিবা জেনরেল ইলেক্সন অসিগী অহানবা ফেজদা এ সী ৩৮গী মীখল পাঙথোক্লিবা অসিদা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অহোবা কয়া লৈখি। ঈ সী আইগী মীৎয়েং অসি মীখলগা মরী লৈননা খৎন-চৈনবা খক্তদা মীৎয়েং থমখ্রে। অদুবু মীখল অসিদা ব্লেক মনি লুপা ক্রোর ক্রোর ইনভোল্বমেন্ট লৈরিবা অসিদদি মীৎয়েং ইচং চঙদবগুম তৌরি।

দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা মরু ওইরিবা অসি মীয়ামগী মেন্দেটনা মীহুৎ খনবা অসিনি। অদুবু হন্দক পাঙথোক্লিবা মীখল অসিদা হেংলেপ এ সী য়াওনা এ সী কয়াদা বি জে পিনা অনফেয়র মিন্স কয়া শীজিন্নবগী মমি চাওনা তারি। শেল পীরগা থেম্বা য়াবা মফমদনা শেল পীরগা থেম্বা, শেলনা য়াদবা মফমদনা মসল পৱার শীজিন্নবা, পোল্লিং বুঠ কয়াদনা খূৎনেক শীজিন্নদুনা মীওই খরনা ভোট হঞ্জিন হঞ্জিন থাদবা, বুঠ কেপচর তৌদুনা ঈ ভি এম মেছিন মনাক্তা ভোট পীবদা য়েংশিন্নবা মী থমজিনবা য়াদ্রগনা ঈ ভি এম মেছিন থুগাইবা, পোল্লিং পর্সনেলশিং ফূবা চৈবা অসিগুম্বা থবক কয়া বি জে পিনা চথখি হায়বসি ময়েক শেংলবা ৱাফমনি। মসিগীসু মথক্তা হেংলেপ এ সীদা বি জে পিগী কেন্দিদেটকা সুদা লৈবা লালহৌলূপ কয়াগা মান্নরগা মীয়ামদা নম হাদুনা ভোট লৌখিবা অসিনা তাক্লিবদি বি জে পিনা ভোট কাননবা অনফিয়র মিন্স কয়া ফোংনা শীজিন্নরে হায়বা তাকপনি।

নাকল অমরোমদা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনগী হৈঙাং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা পোল্লিং বুঠ ১১ কেপচর তৌখ্রে হায়না কমপ্লেন্ট লাক্লিবা অসি করিগীনো। মহাক সী এম অমনি, মহাক্না শোয়দনা হৈঙাংদা মায় পাক্লগনি খল্লগদি করিগীদমক অহেনবা ফোর্স শীজিন্নরিবনো হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, হন্দক পাঙথোক্লিবা মীখল অসিদা বি জে পি অসি কয়াম য়াম্না পৱার হঙ্গর ওইবা পার্টিনো হায়বসি মীয়াম্না ময়েক শেংনা উরে হায়খি।

# অনৌবা কেস ৩২ থেংনখি, মীওই ১ লৈখিদে, ২৮ ফগৎলকখি

ইম্ফাল, মার্চ ০২ (ঐচএনএস) :

হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ঙরাংগী রিপোর্টতা অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী মীওই ৬৬৯গী সেম্পল টেষ্ট তৌখিবগী মনুংদা মীওই ২০ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখিবগা লোয়নন পোজিটিভিটিগী চাংনা চাদা ৩ ওইখিবদু ঙসি নুংথিলগী রিপোর্টতদি হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী অপূনবা মীওই ১,৩৯৭গী সেম্পল টেষ্ট তৌখিবদা অনৌবা পোজিটিভ কেস ৩২ থেংনরবসু পোজিটিভিটিগী চাংদি চাদা ২.৩দা হন্থরক্লে হায়রি। অদুগা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতগী কোভিদ ভেক্সিনগী সেকেন্দ দোজ কাপথোক্লবী নুপী অমা কো-মোর্বিদিটিজিনা মরম ওইদুনা লৈখিদ্রে হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনদগী মীওই ২৮ (নুপা ১৭, নুপী ১১) অমসুং মপান্দগী লাকপা সিক্যুরিটি পর্সনেল ৪ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখি। পোজিটিভ কেসশিং অদু রিমসতা ২, জেনিমসতা ১ থেংনরগা অতোপ্পা টেষ্টিং সেন্টরশিংদনা কেস ২৯ থেংনখিবনি হায়রি।

পোজিটিভ ওইরবশিংদি ইম্ফাল ইষ্ট ৪, ইম্ফাল ৱেষ্ট ১২, থৌবাল ২, বিষ্ণুপুর ২, ককচীং ১, কাংপোকপী ২, সেনাপতি ১, তমেংলোং ১, তেংনৌপল ১, চুড়াচান্দপুর ১ অমসুং উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ১নি হায়রি।

মখোয়গীদমক লৌখৎফম থোকপা মেদিকেলগী মাঙজেনবা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুংদা কন্টেনমেন্ট অমসুং কন্টেক্ট ট্রেসিংনচিংবা থবকশিং লৌখৎলে হায়রি।

অদুবু হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা ষ্টেট লেভেল কোভিদ-১৯ দেথস ওদিট কম্মিটিগী রিপোর্ট মতুংইন্না কাংপোকপীদগী নুপী ১ লৈখিদবা থারগা হৌজিক ফাওবদা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ২,১১৩ শুরে হায়রি। অদুগা ঙসি মীওই ২৮ নাবা ফগৎলক্তুনা দিসচার্জ তৌখি। মখোয়গী মনুংদা হোম আইসোলেসনদগী ১৭, রিমস ৩, জেনিমস ২ অমসুং কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদগী মীওই ৬ য়াওরি হায়রি।

অদুবু হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা নৌনা থেংনখিবা অনৌবা কেস ৩২ অসি হাপচিল্লবা মতুংদা হৌজিক ফাওবদা থেংনবা অপূনবা কেস মশীং ১,৩৬,৮৩৫ (জেনরেল পোপ্যুলেসন - ১,৩১,৮২২ অমসুং মপান্দগী লাকপা সিক্যুরিটি পর্সনেল - ৫,০১৩) শুরে। অপূনবা ফগৎলকখ্রবা মীওইশিংগী মশীংনা ১,৩৪,৪১৬ (জেনরেল পোপ্যুলেসন - ১,২৯,৪২৩ অমসুং মপান্দগী লাকপা সিক্যুরিটি পর্সনেল - ৪,৯৯৩) শুবগা লোয়নন হৌজিক লৈরিবা এক্টিভ কেসকী মশীংনা ৩০৬ (জেনরেল পোপ্যুলেসন - ২৯৩ অমসুং মপান্দগী লাকপা সিক্যুরিটি পর্সনেল ১৩) নি। রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.২৩ য়ৌরে হায়রি।

অমরোমদা, ঙরাং ফাওবদা তোঙান তোঙানবা হেল্থ ফেসিলিটিশিংদা ফংহনখিবা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিংগী মশীংনা দি টাইপ ৪৩৪ অমসুং বি টাইপ ১৫৫নি হায়রি।

জেনিমস অমসুং রিমসতা ঙসি ফাওবদা লৈখিবা অপূনবা কোভিদ পেসেন্টশিংগী ফমুং মশীংনা মথংশিংনা ৩০০ অমসুং ১৯০নি অদুবু জেনিমসকী ফমুং ৩০০গী মনুংদা ২০দা পেসেন্টশিং লৈরগা রিমসকীনা ফমুং ১০৯দা পেসেন্টশিং লৈরি। মরম অসিনা হোস্পিটাল অনীমক্তা ঙসি ফাওবদা হাঙদুনা লৈখিবা ফমুংশিংগী মশীংনা জেনিমসতা ২৮০ অমসুং রিমসতা ৮১নি হায়রি।

হীদাক কাপথোকপগী চাংনা ঙরাং খক্তদা মীওই ৩০০৪ হীদাক কাপথোকখিবা থারগা হৌজিক ফাওবদা পূন্না হীদাক কাপথোক্লবা মীওইশিংগী মশীং ২৭,১২,১১৪ (ফর্ষ্ট দোজ ১৫,১২,৪১৬ অমসুং সেকেন্দ দোজ - ১১,৩৯,৯৬৫) শুরে হায়রি। লোয়নন কোভিদ ভেক্সিনগী প্রিকোস্নরি দোজ কাপথোক্লবা মীওইশিংগী মশীংনা ৫৯,৭৩৩ শুরে হায়রি।

ঙরাং মার্চ ১, ২০২২ ফাওবদা মণিপুরগী অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬তা লৈখিবা হীদাক কাপথোক্লবা অপূনবা মীশিংগী চাংনা বিষ্ণুপুর - অহানবা দোজ ৭৩.৫৫, অনীশুবা দোজ ৫৭.৬৯, চান্দেল অহানবা দোজ ৭৫.৯০, অনীশুবা দোজ ৫৭.২৬, চুড়াচান্দপুর অহানবা দোজ ৬০.৫৫, অনীশুবা দোজ ৫০.৬১, ইম্ফাল ইষ্ট অহানবা দোজ ৭৫.৬৯, অনীশুবা দোজ ৬০.৮০, ইম্ফাল ৱেষ্ট অহানবা দোজ ৭৭.৩৪, অনীশুবা দোজ ৬৪.৯৪, সেনাপতি অহানবা দোজ ৩৫.২৭, অনীশুবা দোজ ২৮.১৬, তমেংলোং অহানবা দোজ ৪৩.৮৭, অনীশুবা দোজ ৩২.৫৪, থৌবাল অহানবা দোজ ৬২.০০ অনীশুবা দোজ ৪৭.০৬, উখ্রুল অহানবা দোজ ৩৬.০৫, অনীশুবা দোজ ২২.১৫, তেংনৌপল অহানবা দোজ ৪৯.০২, অনীশুবা দোজ ৩৫.৯০, কাংপোকপী অহানবা দোজ ২২.৩১, অনীশুবা দোজ ১৫.৪৪, কামজোং অহানবা দোজ ৩৭.৫৮, অনীশুবা দোজ ২৬.১৩, জিরিবাম অহানবা দোজ ৭৩.০৫, অনীশুবা দোজ ৬১.০৬, ফেরজোল অহানবা দোজ ৩৫.৫৭, অনীশুবা দোজ ৩৫.০০, নোনে অহানবা দোজ ৪৩.৩৫, অনীশুবা দোজ ৩২.৮৯ ককচীং অহানবা দোজ ৭৭.৯৭, অনীশুবা দোজ ৬৫.১৪নি হায়রি। অদুগা মণিপুরগী ওইনা অপূনবা কোভিদ ভেক্সিনগী অহানবা দোজ কাপথোকখিবা মীওইশিংগী চাংনা চাদা ৬১.০৪নি অদুগা অনীশুবা দোজ কাপথোক্লবশিংগী চাংনা চাদা ৪৮.৭০নি হায়রি।

# চীফ মিনিষ্টরনা থৌদাং লৈতবা ৱাঙাঙ...

*লামায় ১গী মখা...* ফাওবা খঙলমদবা অসি য়াম্না ইকায়নীংঙাইনি। ৱাবগাই লমখাইদগী চকপীকারোং ফাওবগী লম্বী অসি মীয়াম্না এম এল এ খনবদা শোয়বদগী ফীভম ফত্তদুনা লৈরিবনি, মীয়াম্না অচুম্বা এম এল এ খনবীয়ু হায়না মখৌ পোংনা লাউদুনা কোংগ্রেসকী এম এল এ ওইরিবা মহাকপু চৈরি অদুদা বি জে পিগী এম এল এসু ওইরিবা হৌজিকসু বি জে পিগী মীরেপ ওইরিবা ডা. রাধেশ্যামগী এরিয়া - ৱাবগাই লমখাইদগী ৱাইখোং তঙ্খায় ফাওবগী লম্বী অসিনা করিগী শেম্বীদ্রিবনো। মসিনা এম এল এ খনবা চুম্বগীরা হায়নসু চীফ মিনিষ্টরদা হংখি।

ষ্টেট হায়ৱে অসি ষ্টেট অসিগী পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টনা শেমগদবনি হায়বা অদু খঙদবা মানবা অদু ৱাঙাঙ অদুনা উৎপনি। কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতমদা মিনিষ্টর ফাওবা ওইদুনা চহী ১৫ লৈঙাক পায়বা য়াওরল্লবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ষ্টেট অসিদা কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতমদা থবক তৌরমদ্রে হায়না লাউরিবা অসি মহাক মশানা মশাবু হৌখিবা চহী ১৫ অসি থবক অমত্তা তৌখিদে হায়বনি। মরম অসিনা অসিগুম্বা থবক তৌদবা মীওই অসি হৈঙাংগী মীয়াম্না অমুক হন্না থাগৎফম থোক্ত্রে হায়খি।

ষ্টেট অসিগী কোভিদ-১৯গী অকনবা লাইচৎ মনুংদা চেঙ অমদি ভেক্সিন কাপ্পগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা বি জে পিনা শেল লোইনা পুথোক্লগা তৌবা ওইনা উহল্লিবা অসিসু নোক্লিংবা ফাওই। ঙসি মীয়ামদা কাপ্লিবা ভেক্সিন অমদি চেঙশিং অসি লৈঙাক্না মীয়ামদগী লৌখিবা টেক্সশিং অদুননি হায়বসি মীয়াম্না লোইনা খঙলিবনি। মরম অসিনা অসিগুম্বা মীচম মীয়াম্বু অপংবা শীদুনা মীয়াম্বু ওৎলিবা পার্টি অসি লাক্কদবা ইলেক্সন অসিদা মরূ ফংনা মূথৎপা মতম ওইরে হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ৱাঙু জিলা পরিষদকী মেম্বর মোইরাংথেম মেলোদি, দিভেলপমেন্ট কম্মিটি চাইরেলগী প্রসিদেন্টনচিংবা কোংগ্রেসকী মরু ওইবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।